

# হুয়েন লানপাও স্পোর্টস



স্রি লঙ্কাগা মেটচ অনীগী ওইবা টেষ্ট মেটচকী অহানবা মেটচতা মায় পাকপা ঙমখিবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংসতা রন ২২৮ লৌদুনা য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুট

এএফসী এসিয়ন কপ ২০২৭পু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবা শৌগৎলদুনা লৈবাক অসিনা ফুটবোল মশান্না অসিদা ফিল্ডদা শান্নরোয় পুথোকপা খক্তা নৎতনা ফিল্ডগী মপান্দসু লৌখৎপা য়াবা কয়া অমা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা হান্নগী শান্নরোয় গৌরমঙ্গি



## ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র হোক্কী টিমনা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র হোক্কী টিমগা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে

বুইনোস আইরেস, জন্যুৱারী ১৮(এজেন্সী): চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা অর্জেন্টিনা টুরগী মনুং চনবা মেটচ অমদা মফম অদুগী জুনিয়র হোক্কী টিমগা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র টিম অদুনা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিম অদুগী মায়োক্তা অঙনবা শরুক্তা এটেক চথবগী চাং হেনখি। ৮শুবা অমদি ৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর অনীরক থংন-থংননা ফংখি। অদুবু পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অদু অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোললাইন অদুবু নীংথিনা ঙাক শেনখিবদগী পাঞ্জল চলহনখিদে।

মেটচকী ১১শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিমগী মায়কৈদগীসু পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। তাঞ্জা অদুদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর সবিতানা য়াম্না ফজনা বোল অদু ঙাকথোক্তুনা টিম অনীমক অহানবা কার্টরদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমনা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিমগী শান্নরোয় লান্না বোল পুখিবা*

অনীশুবা কার্টর শান্নবা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবী শান্নরোয় শর্মিলানা ২২শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা অর্জেন্টিনাবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী ২৮শুবা মিনটতা ওলা সান্তামারিনানা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা কার্টর অদুগী লোইরমদায়দা দিপ গ্রেস ইকাগী মতেংনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্নগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা শান্নরকপা ৩শুবা কার্টর অদুসু অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচকী ৪শুবা কার্টর হৌরকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী ব্রিজা ব্রুগেসরনা ইক্কেলাইজর অদু চন্নগা মান্নবা মওংদা লাকখি। শান্নবগী লোইরমদায় ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিমনা পেনাল্টি কোর্নর ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

## সিরাজগী ফজবনা ওষ্ট্রেলিয়া রন ২৯৪দা লোইশিনখ্রে, মায় পাক্নবা ইন্দিয়ানা রন ৩২৮ লৌবা তারি

ব্রিজবেন, জন্যুৱারী ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা টেষ্ট মেটচ মরিগী সেরিজগী অরোইবা অমসুং মরিশুবা মেটচকী ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী বোলর মহমদ সিরাজনা লৌখিবা ৱিকেট মঙানা মপূং ওইরগা সার্দুল থাকুরগী ৱিকেট ৪গী মতেংনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ২৯৪দা লোইশিনহনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা টেষ্ট মেটচ অসি মায় পাক্নবা রন ৩২৮গী টার্গেট লৈখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ২শুবা ইন্নিংস অদুগী হৌরকপদা ফজবা ঙমখি। মকোক থোংবা বেটসমেন ৩ মথংশিংনা মার্কস হেরিশ, দেবিদ ৱার্নর, লাবুসাঙ্গে অমসুং ষ্টিভেন স্মিথ স্কোর তৌবা ঙমখি। হেরিশনা রন ৩৮, ৱার্নরনা ৪৮, লাবুসাঙ্গেনা ২৫ অমসুং স্মিথনা রন ৫৫ লৌরমখি।

টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ৮৯ লৈবা মতমদা মার্কস সার্দুল থাকুরনা রন ৩৮দা আউট তাহনখি। ইকান কান্নদনা রন ৪৮ দা লৈরিবা দেবিদ ৱার্নর ৱাশিংটন সুন্দরনা আউট তাহনখি। লাবুসাঙ্গে অমসুং ষ্টিভেন স্মিথনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর রন ১২৩ য়ৌহল্লকখি। লাবুসাঙ্গে সিরাজনা রন ২৫দা আউট তাহনখি।



*ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন মঙা আউট তাহন্দুনা অনীশুবা ইন্নিংস অদুবু রন ২৯৪দা লৈহনখিবা ইন্দিয়াগী সিরাজ*

মাগী মহুৎ শিল্লকখিবা ৱেদপুসু ওভর অদুমক্তদা রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখি। ৬শুবা বেটসমেন গ্রিন অমসুং ষ্টিভেন স্মিথনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৭৩ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখি। অপূনবা স্কোর ১৯৬ য়ৌরকপদা রন ৫৫ লৌখিবা ষ্টিভেন স্মিথপু মহমদ সিরাজনা আউট তাহনখি। মখা তারকপা বেটসমেন পেন অমসুং গ্রিননা ইন্নিংস অদুগী রন ২২৭ য়ৌহল্লকখি। মশাগী রন ৩৭ লৌদুনা লৈরিবা গ্রিনবু সার্দুল থাকুরনা আউট তাহনবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২২৭তা লৈহনখি। গ্রিনগী মহুৎ পেট কম্মিন্সনা মহুৎ শিনখি। পেন রন ২৭তা আউট ওইখিবদগী মিচেল ষ্টাক চঙলকখি। সিরাজনা মহাকপু রন ১দা আউট তাহনখি। মখা তাবা বেটসমেন অনী লিওন অমসুং হেজলৱুদ থাকুর অমদি সিরাজনা আউট তাহনবদগী রন ২৯৪দা ইন্নিংস লোইখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস হৌরদুনা ঙসিগী শান্নবা লোইশিনখিবদা রন ৪ লৌরগা লৈরি।

## বর্সেলোনা মায়থীবা নংদুনা এথলেটিক বিলবাওনা স্পেনিশ সুপর কপ টাইটল লৌখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ১৮(এজেন্সী): স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুপর কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বর্সেলোনা মায়থীবা নংদুনা এথলেটিক বিলবাওনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



দি লা কার্টুজা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সুপর কপ ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা শরুক টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু থংনবা মিনট ২গী মনুংদা এথলেটিক বিলবাওগী মায়কৈদগী ইনাকি ৱিলিয়মসনা পীরকপা বোলদা ওস্কার দি মার্কোসনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

নীংশিংবা য়াই, সুপর কপকী সেমীফাইনেলদা বর্সেলোনানা রিয়াল সোসাইদেদপু পেনাল্টিদা থোইরগা ফাইনেল চঙলকপনি। অমরোমদা, এথলেটিক বিলবাওনা রিয়াল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল শান্নবা ঙমখিবনি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী মিনট ৩২ চঙশিল্লকপদা বর্সেলোনাগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এন্টোইন গ্রিজমাননা টিমমেট জোর্দি অলবানা পীরকপা বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু শান্নবগী ৯০শুবা মিনট অমসুং ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা বিলবাওগী এসিয়র অমদি ইনাকিনা পাঞ্জল ২ চন্নগা ৩-২দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

## শরুক য়াগদবা ৪ কোভিদ পোজিটিভ ওইখ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ১৮(এজেন্সী): মথং থাগী ৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট শরুক য়াবা লাক্লিবা শান্নরোয় ৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ওফিসলশিংনা ৱাফম অসি ঙসি ফোঙদোরকখিবনি। ভিক্টোরিয়া ষ্টেটকী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা লাক্লিবা মীওইশিংগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা শান্নরোয় অমদি ওফিসল য়াওনা পূন্না মীওই ৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। চার্টর ফ্লাইটতা লাকখিবা শান্নরোয় ৭০ হেনবগী মনুংদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওরম্বদগী অকনবা ক্বারন্টিন চথদুনা হোটেলদা থল্লি হায়রি।

## ‘কোভিদ-১৯গী কেস কয়া হেনগৎলক্লবসু ওলিম্পিক্স পাঙথোক্কনি’


টোকিও, জন্যুৱারী ১৮(এজেন্সী): জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহীদা পাঙথোক্লমগদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী ১ য়ৈথোক্লগা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌনবা শিল্লিবা অসিগী মরক্তা লৈবাক অদুদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্লবসু চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা ওলিম্পিক্স অসি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়খ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি জপানগী পার্লিয়ামেন্ট সেসনদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীদিয়া পোলদা চাদা ৮০ রোম্না মাঙজৌননা য়ৈথোক্লবা ওলিম্পিক গেমস অসি অমুক হন্না য়ৈথোকপা নৎত্রগা তোকপনা ফৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মসিগী মরক্তা জপান লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমদি রিফোর্ম মিনিষ্টর ওইরিবা টারো কোনোনা ফোঙদোকখিবদা, গেমস অসি মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং কয়াগী মরক্তা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লম্বা অদু থাজবা ৱাৎলি হায়না জপানগী কেবিনেট মিনিষ্টরগী মনুংদা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোকপা অহানবা ওইখি।

মরক অসিদা, জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ঙসি পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসনদা থমখিবা ৱাফমদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লেপ্লোই। লোয়ননা ঈশিং লিৎতবা এন্টি ইনফেক্সনগী থবকশিং পায়খৎতুনা মালেমদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা ভাইরস অসিবু নমথবা ঙম্মী হায়বদু উৎতুনা থৌনা অমদি থাজবা লৈহন্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্কী পোলিসি স্পিছতা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, টোকিও অমদি নক্লবা সিটিশিংদা ইমর্জেন্সি থল্লিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 10**

**Vogt, Lothar (2505) - Giemsa, Stephan (2240)**

**Bundesliga 9091 Germany, 1990**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Bb4 |
| 4.e5 c5 | 5.a3 Bxc3+ | 6.bxc3 Ne7 |
| 7.Qg4 O-O | 8.Bd3 f5 | 9.exf6 Rxf6 |
| 10.Bg5 Nd7 | 11.Qh4 h6 | 12.Bxf6 Nxf6 |
| 13.dxc5 e5 | 14.f3 e4 | 15.fxe4 dxe4 |
| 16.Bc4+ Kh7 | 17.Ne2 Qa5 | 18.Qf2 Bg4 |
| 19.O-O Rc8 | 20.h3 Rxc5 | 21.Bb3 Bxe2 |
| 22.Qxe2 Qxc3 | 23.Rad1 Nf5 | 24.Rf4 Qe5 |
| 25.Rf2 Rc3 | 26.Qd2 Rc5 | 27.Qf4 e3 |
| 28.Rf3 Qc3 | 29.Be6 e2 | 30.Bxf5+ g6... |

**QUESTION :**
**White wins in 4 or 5 moves**

[Puzzle 9 Ans. : **28.**Bc5 Bf2+ **29.**Bxf2 Qc1+ **30.**Bd1 Qxd1+ **31.**Be1 Qxe1#]

## বোকা জুনিয়র্সনা বেনফিলবু পেনাল্টি শুটআউটতা থোইদুনা অহানবা মরাদোনা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

বুইনোস আইরেস, জন্যুৱারী ১৮(এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় অর্জেন্টিনা মচা দিএগো অর্মান্দো মরাদোনানা হৌখিবা নবেম্বর থাদা লৈখিদবা অদুগী নীংশিংবা ওইনা অহানবা দিএগো অর্মান্দো মরাদোনা কপ হায়না মিংথোনবা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল ক্লবকী ওইবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা মরাদোনা মশামক্লসু শরুক য়ারম্বা বোকা জুনিয়র্স ফুটবোল ক্লবনা বেনফিল ফুটবোল ক্লবপু পেনাল্টি শুটআউটতা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

সান জোন দেল বাইসেন্টিনারিও ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা বোকা জুনিয়র্সকী মায়কৈদগী ইদ্বিন কার্মোনানা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারগা ফাইনেল মেটচ অদু মখোয়গী ওইননবা চঙশিল্লকপা লম্বেলদা মায়ওন ওনশিনখিবনি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা বেনফিলগী লুসিয়ানো লোলোনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা পেনাল্টি শুটআউট অদু চথদুনা মায় পাকপা টিম অদু মশক খঙননবা হোৎনরকখিবনি। বোকা জুনিয়র্সকী মায়কৈদগী কাওখিবা পেনাল্টি শোট মঙামক পাঞ্জল ওইবা ঙমখি। অদুগা বেনফিলগী মায়কৈদগী জোর্জ রোদ্রিগেজনা পেনাল্টি কিক কাওবদা চনখিদবদগী বোকা জুনিয়র্সনা ৫-৩দা থোইখি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10
CLASS 10 REVISION COURSE Starts on 21st Jan, 2021
Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020



1st Position Reshmi N. D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi Pitambra E/School
9th Position Noveena Ksh D/o. Sarvodayachand & S. Aradhana Nirmalabas
10th Position Chaltan Y. S/o. Y. Shantikumar & T. Romila St. Joseph
15th Position Th. Jeet S/o. Th. Rashi & Th. Shanti St. Joseph
19th Position Dhanthoi S. D/o. S. Homeshor & O. Amita Nirmalabas
19th Position Mary L. D/o. Dr. John P. & Dr. Rothangpui Little Flower
25th Position H. Nandibala D/o.H. Nandalal & S. Madhubala Nirmalabas
25th Position Henry O S/o. O. Kumud & K. Ranjita St. Joseph

1ST POSITION 2020



Reshmi Nandeibam

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST
FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS )

| Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2



Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
& CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSE Result 2019
19th POSITION



Rakesh Ningthoujam
MECI Explorer Academy

FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSLC Examination Result 2020 at a GLANCE

6th POSITION



Jessica Konthoujam
Little Flower School

12th POSITION



Rabindra Moirangthem
St. Joseph School

14th POSITION



Ningthoujam Reona Devi
Trinity Public School

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol
Contact : 9862712287
HL-P/6601/11/1-25/1